সোরাদা ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ : মথং থাগী ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন্দা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সোরাদা মীরেপ ওইরিবা মীওই অমগী লম্বানরিবা কেন্দিদেট অমনা পোৎশেম তৌশিল্লমই হায়বগী ৱাহৌদা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা য়াম্না চাউনা ঈরাং থোকখ্রে। পোৎশেম তৌশিল্লম্বী নুপী অদু মীয়াম্না ফাজিল্লগা পুশিনখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবু অমা সোরাদা চঙশিনখি। পুলিসকী কাঙবু চঙশিল্লকপদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম হৌরক্তুনা পুলিস তম্না নুঙনা থারকপদগী পুলিসকী জীপসি অমা অকায় অতোয় থোকখি। ঈরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। তুংদা মীয়াম্না ফাজিল্লুবা পোৎশেম তৌবীনি হায়বা নুপী অদু পুলিসনা রেস্ক্যু তৌরে হায়রি।

দুকানশিং থোঙ লোন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওইশিংনা কৈথেলগী হেক চঙফম ফর্ষ্ট ফ্লোর অমদি সেকেন্দ ফ্লোর অনীগী মরক্তা লৈরিবা ফিট ২৫ রোম পাকপা অমদি ফিট ৩৫ রোম শাংবা শরুক অসি ফুনজিন্দুনা অনৌবা দুকান শাজিন্নবা হোৎনরকপা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি থৌবাল কৈথেলগী মথক থংবা শরুক্তা ফন্লিবা দুকানশিং থোঙ লোন্নখ্রে।

মফম কয়াদা চেকখায়রবা কৈথেল অসিদা অনৌবা দুকানশিং শাজিনবা হায়বসি কৈথেল ফন্লিবশিংদা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইগনি। খোঙথাং অসি অরানবা ওইগনি হায়না কৈথেল অদুগী মথক থংবদা ফন্লিবশিংনা দুকান থোঙ লোন্নখি। থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন উননবা হোৎনবদা উনবা ফঙলক্তবদগী লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মায়কৈ অনীগী মরক্তা ৱারী শানরগনি হায়রি।

তেঙবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

পান্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদ, ককচিং ব্রাঞ্চ হাঙদোকখিবা চহী অমা মপুং ফারকপগা লোয়ননা ঙসি ব্রাঞ্চ অসিগী ষ্টাফশিংনা মীসন ব্লাইন্দ স্কুল হৈককপোকপীগী মীৎ উবগী পাঙ্গল য়াওদ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংদা খুদোলপোৎ পীখ্রে।

পান্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পেনী লিমিটেদকী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্তরগী ফম পুরিবা থোকচোম হেমোগী ৱাখল্লোন অমদি পান্দম ওইরিবা লৈত-লাইরা অমদি শোথদুনা লৈহৌরবশিংবু য়োকখত্তুনা মান্নবা খুন্নাই পুরকপা অমদি ঈং-তপ্পা মণিপুর ওইহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা পোৎলমশিং অসি পীবনি। ব্রাঞ্চ অসিনা চহী অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈনননা তেঙবাং পোৎলম পীবগা লোয়ননা চাকলেন চাম্নিবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মখা তারি।

লম-তু শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ১১ শুবা অসাম রাইফলসনা স্বাছতা হি সেবাগী মখাদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীসন ভেঙ মোরেগী অকোয়বদা লম-তু শেংবগী থবক চথখ্রে হায়না আই জি এ আর সাউথকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লম-তু শেংবগী দ্রাইব অদু লমদম অদুগী মীয়ামদা লূ-নানবগী কান্নবশিংগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবা, অমোৎ অকায় মফম চানা হুন্দোক্লবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চথখিবনি হায়নসু মখা তারি।

GAS TODAY

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:29/05/2017
Valid From:24/05/2017
Stk 14kgs:306, Rs.700/-
Timing:08.00am to 10.00am
Delivery Date: 18/09/2017

HARAN VALLEY KWAKTA
Booking Upto:12/05/2017
Valid From:07/05/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am

JEMON GAS SERVICE, MAYANG IMPHAL SL.NO. 8570
Booking Upto:18/04/2017
Valid From:08/04/2017
Stk :612
Timing:07.00am to 10.30am

MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. : 4714 TO 5300
Booking Upto:29/05/2017
Valid From:19/05/2017
Stk :306 ,
Timing:07.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:28/04/2017
Valid From:26/04/2017
Stk :612 (DBTL)
Timing:07.30am to 09.30am

RBD GAS AGENCY
Booking Upto:15/05/2017
Valid From:02/05/2017
Stk :612
Timing:06.30am to 10.30am

য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে


Ayekpa Lai
Durga Mahtyam
Thambal
on: ... 15th September ... at 12:10 p.m.
Venue: Ya... Leikai Community ... Manipur -795149

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি, য়াইরিপোক লীংখৎখিবগী ২৪ লক শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙরাং য়াইরিপোক বামোন লৈকায়গী মীতিনশঙদা পাঙথোকখ্রে। লিটরেচরগী লমদা তোঙান তোঙানবা মনা ফঙলকখ্রবা মীওই কয়াবুসু তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী এদ্যুকেসন এন্দ লেবর মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা অথোয়বা মীথুংলেন, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী প্রসিদেন্ট রঘুবির থিয়ামনা থৌরম মপু ওইখি। সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি ক্ষেত্রি বিরা, সাহিত্য ভুষন এৱার্দি এল কালিমোহোন অমসুং থৌবাল কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল এন গন্ধারনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না অথোয়বা মীথুংলেন্না লুচিংদুনা লময়ানবা ইরাবত অমদি মরুপকী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিং কৈশাম রঘুমনি অমসুং মুতুম ব্রজকুমারগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি। তিনখিবা মীয়াম্না মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি।

কুমজা ২০১৬ গী সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি এম রাজেন্দ্র, কুমজা ২০১৬ গী মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, মেঘালায়াগী সঙ্গিৎ ভুষন এৱার্দি উসম নিরজিৎকুমার, কুমজা ২০১৬ গী মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী এন ব্রজবিধু, সঙ্গিৎ ভুষন কেস এৱার্দি সগোলশেম তোম্বা অমসুং মরুপ্তা উপু খুদোল তৌখিবা বিজেন লৈশাংথেমদা সোল অমদি সাইটেসন পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইবোতোম্বী খুমনচানা ইবা শৈরেং লাইরিক *অয়েকপা লাই*, নবচন্দ্র শর্ম্মানা ইবা *দুর্গা ইমাগী মতিক ময়াই*, কেঐচ শামুনা ইবা *লাইশ্রম শাগৈ য়ুমদালোন পুয়া* অমসুং য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য কম লাইব্রেরিগী চহীগী পুথোকপা ৪ শুবা চেফোঙ *থম্বাল* মীথুংলেনশিংনা ফোঙদোকখি। লাইরিকশিং অদুগী মরমদা সলাম তোম্বা, নন্দকিশ্বর অমসুং সাজৌ চেংলৈনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুগী তুংদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি সরতচান্দ থিয়ামনা থৌরম মপু ওইদুনা নুপা অমসুং নুপী অইবা/অইবী ১৫ না শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

শিনফমশিংদা থবক তৌরিবশিংনা মথৌ চপ চানা পাঙথোক্লবা মতমদা চাউখৎপা পুরক্কনি: সুভাসচন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

দাট্রোপেন্ট থেঙাদি নেসনল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদ্যুকেসন এন্দ দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি কুকি ইন ইম্ফালদা ৫৯ লক শুবা ৱার্কর এদ্যুকেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হেলথ সোইবম সুভাসচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, দি এন বি দব্লিউ ঈ দি ইম্ফালগী রিজনেল দিরেক্তর দব্লিউ আই সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ইকোনোমিষ্ট প্রো. এম মোহেন্দ্রোনা স্পেসল গেষ্ট অমসুং আই সী এমগী দিরেক্তর ডা. এল রঞ্জনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এস সুভাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, খুন্নাইদা এদ্যুকেসন্না অওনবা পুরকপা হায়বসি শিন্মীশিংগীসু অওনবা পুরকপা চঙই। প্রাইভেট স্কুলদা লাইরিক ফৈ হায়না তম্লগা অমুক কোচিং চৎলিবা করিগীনো হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। স্কুল অফবদা তম্লগা কোচিং অমদি তুইসন চৎপগী মথৌ তারিব্রা। গভর্নমেন্ট স্কুল ফগৎহনবা হায়বসি ওজাশিংগীসু থৌদাং লৈ। লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ইশা ইশাদগী হৌদুনা ইচাশিং লৈঙাক্কী স্কুলদা তমহনগদবনি।

মেকোলা স্কুল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ অনী সেঙ্কসন তৌখ্রে। ওজানা ওজাগী মথৌ নীংথিনা তৌবা, শিন্মীশিংনা শিন্মীগী শিনফমদা নীংথিনা থবক তৌবা অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবশিংনা মাগী মাগী শিনফমদা নীংথিনা থবক তৌরবা মতমদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা দব্লিউ আই সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, রাইট অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটি লৌবা ঙম্বা ওইনবা হোৎনগদবনি। ৱার্কর হায়বসি শিন্মীনি হায়না শোন্থদুনা লৈগদবা নত্তে। শিন্মীশিংনা কদায় ফাওবা ঙম্মী হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনবা চঙই। শিন্মীশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা তায়। শিন্মীশিংদা ওৎপা নৈবগী চাংসু হন্থরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রো. এন মোহেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, শিন্মীশিংগী মশীং য়াম্না লৈবা মরম্না এৱ্যেরনেস হায়বা অসিসু মথৌ তাই। এৱ্যেরনেস নীংথিনা ফঙলবদি চাউখৎপা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি। আই সী এমগী দিরেক্তর এল রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, ত্রেনিং অমদি এদ্যুকেসন হায়বসি চপ মান্ননা চৎমিন্নগদবনি। স্কীল দিভলপমেন্টদা অমদি খুৎশা হৈবগী লমদা থবক তৌরিবশিংদা কান্নবা পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদু ইনহেনসিং ইফেক্তিভনেস ওফ ৱার্কর এদ্যুকেসন অমসুং রোল ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন, এন জি ও, সোসল এক্তিভিষ্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবনি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

দিরেক্তোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফাল অমদি ভারতিয়া কিষান শঙ্ঘ প্রান্ত মণিপুরনা শীন্দুনা আর বি এস দি সেন্তর হরাওরৌ ইম্ফাল ইষ্টতা পেষ্ট এন্দ দিজিজ মেনেজমেন্ট ইন রাইস হায়বা হীরমদা লৌমীশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আর বি এস দি সেন্তর হরাওরৌদা ঙরাংদগী হৌনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ভারতিয়া কিষান শঙ্ঘগী শাহ সন্থান মন্ত্রি গাজেন্দ্র, প্রান্ত পচরাট এম এম অসোকান, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এম প্রেমজিৎ, মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশ্বর, ভারতিয়া কিষান শঙ্ঘগী সন্থান মন্ত্রি দিনেস কুলকানিনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর, চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এম প্রেমজিৎনা ইন্টিগ্রেটেদ ক্রোপ মেনেজমেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহন্নবা মীৎয়েং থম্লক্লিবা অমদি পায়খৎলক্লিবা থবক কয়াগী মতাংদসু ৱা ঙাংখি। লৌমী ৬০ রোমনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সী এ য়ু ইম্ফালগী দিরেক্তোরেট ওফ রিসর্ছকী দেপ্যুটি দিরেক্তর ডা. টিঐচ রোবিন্দ্রো, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর সী এ য়ুগী প্লান্ট পেথোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. বিরেশ্বরনা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি হায়না সী এ য়ু ইম্ফালগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর ডা. ইন্দিরা থৌনাওজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ক্লাস ১দগী ১০ ফাওবা লৈবা হায় ...

লামায় ১গী মখা... অসিদা ওজা ওইরম্বা এল সুরচন্দ্রনা ঙাইখোং হায় স্কুলদা অদুগা এন রেবিকানা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়ুটিলাইজ তৌখ্রে। সী ঐচ লিলিনা ট্রান্সফার তৌখ্রে অমসুং ৱাই জিবন অমসুং কে ঐচ সনায়াইমনা অতোপ্পা স্কুলদা ট্রান্সফার তৌবিখ্রে।

পুন্না ওজা ২০দগী তাদনা লৈফম থোকপদগী মফম অদুগী মীয়াম্না ওজা ৱাৎলি হায়দুনা থাবীরক্লবা য়াম্না কন্না তক্করিঙৈ চৈরক্তা ওজা মঙা অমুক লৌথোকখিবা হায়বসি মফম অদুগী মীয়াম্বু নুংশিবগী খুদম নত্তে, লোয়জি-লোয়াগী অঙাংশিং শেম্নিংবগী ৱাখল্লোন চেন্দবগী খুদমনি হায়নসু মহাক্না মরাল শীরি।

মহৈশঙ অসিগী ওজা অমনা পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক হৌজিক হায় স্কুল অসিগী ক্লাস ৱান্দা মহৈরোয় ২০, ক্লাস টুদা ১৮, ক্লাস থ্রিদা ২১, ক্লাস ফোরদা ২২, ক্লাস ফাইবতা ২০, ক্লাস সিক্সতা ১৪, সেবেন্দা ১৯, আইটতা ২০, নাইন্দা মঙা অমসুং ক্লাস টেন্দা অনী তল্লি। ক্লাস নাইন অমসুং টেন্দা মহৈরোয় মশীং ৱাৎলকপা অমদি অতৈ ক্লাসশিংদা মহৈরোয় মশীং হন্থরকপগী মরুওইবা মরমদি লৈঙাক্লা লোয়জি-লোয়াদা লৈবা মহৈশঙশিংদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপদগীনি। অদুমকপু চহী অসিগী হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন্দা মহৈরোয় মঙা এগজাম থাবদা অহুম ফর্ষ্ট দিভিজন্দা অমসুং অনীনা সেকেন্দ দিজিভন্দা পাস তৌদুনা চাদা ১০০ এগজাম থাবদা পাস তৌবা লৈঙাক্কী স্কুল অমা ওইরি হায়নসু ওজা অসিনা মখা তারি।

নোইদাদা মণিপুরী মচা অমা ...

লামায় ১গী মখা...(সী বি আই)বু ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা তকশিনখ্রে।

চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মণিপুরী অমা মপান লৈবাক্তা শিখিবগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না তকশিনখি।

এন ঈ এফ আই এসকী কনভিনর চীংলেন খুমুকচমনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, প্রভিশ চনম লৈখিদবগী মতাংদা পুলিসনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদবগী ময়েক শেংবা খুদম ফংলে। সেপ্টেম্বর ৯দা মী মাঙখিবগী কমপ্লেন্ট তৌরবসু পুলিসনা নুমিৎ নীনি লৈরগা মী মাঙখিবগী পম্ফলেট ইস্যু তৌখি।

কমপ্লেন্ট তৌরকখিবা ৱাফমশিং নোইদাগী পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা নিথারিগী পুলিস চৌকিদা ময়েক শেংনা খঙহনখিদে। পুলিস ষ্টেসন অমনা মী মাঙখিবগী কেস লৌখৎলবসু নিথারি পুলিস চৌকিনা অনক্লেম দেথ বোদিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা তৌখিদে।

হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনসু প্রভিশকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মোর্গতা লৈরে হায়বা মরুপ-মপাং অমদি ইমুং-মনুংদা খঙহল্লকপা তৌখিদে। পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা পুলিসকী থৌওংদা চিংনবা পোকপদগী এন ঈ এফ আই এসনা কেস অসিবু সী বি আইদা থিগৎহন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবনি।

কন্সলটেন্সন মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

ক্রিপা সোসাইটি অমসুং য়ঙ পিল্লর য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা দ্রগ এন্দ ঐচ আই ভি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কন্সলটেন্সন মীটিং অমা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঐচ আর দি একাদেমীগী প্রিন্সিপাল লৌরেম্বম কমাখ্যাকুমার, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৮ গী কোর্পোরেটর পুখ্রম্বম ওংবী দেবোলা, ৱার্দ নম্বর ৯ গী কাউন্সিল্লর সোরাম সুনিল অমদি সোসল ৱার্কর ময়াংলম্বম গোজেন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

সোসল ৱার্কর এম বোবোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় পুন্নমক্না দ্রগ অমদি ঐচ আই ভি থিংনবগীদমক হোৎনবা মথৌ তাই। মসিদা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পয়াবীশিংনসু থৌদাং লৌদুনা হোৎনফম থোকই। মণিপুরদা লৈরিবা এন জি ওশিংনা থম্মোয় শেংনা হোৎনদ্রবদি দ্রগ অমসুং ঐচ আই ভি মুথুৎপা ঙম্লোই। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং চেকশিনবা চঙই। মখোয়বু দ্রগ শীজিন্নবগী অমাঙবশিং খঙহন্দুনা ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবা পামহন্দনবা এৱ্যেরনেস লৈকায় লৈকায় অমদি স্কুলদা পাঙথোকপা মথৌ তাই। মসিদা মরী লৈনবশিংনা থৌদাং লৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রেদিও ফ্রিক্বেন্সি এব্লেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ ইন্সটিট্যুটনা লিভর কেন্সরগী রেদিও ফ্রিক্বেন্সি এব্লেসন পাঙথোকখ্রে হায়না ইন্সটিট্যুট অসিগী ব্যুজিনেস দিভলপমেন্টকী দেপ্যুটি মেনেজর প্রেমজিৎ লৌরেম্বমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লিভর কেন্সর হায়বসি মালেমগী ওইনা য়াম্না পাক শন্না খঙনরবা কেন্সর মখল অমনি। রেদিও ফ্রিক্বেন্সি এব্লেসন হায়বসি এফ দি এনা এপ্রুব তৌরবা এদভান্স ত্রিটমেন্ট অমনি। মসি য়াম্না এদভান্স ওইবা ত্রিটমেন্ট মখল অমনি। আর এফ এ অসি মণিপুরগী মেদিকেলগী হিষ্ট্রীদা হৌদোক্লে। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওইনা রেদিও ফ্রিক্বেন্সি এব্লেসেন অসি লিভর কেন্সর ফাইট তৌনবগীদমক পায়খৎখিবনি। শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ ইন্সটিট্যুটকী কন্সলটেন্ট ইন্টরভেস্নেল রেদিওলোজিষ্ট ডা. থাংজম গৌতমনা থবক অদু পায়খৎখি। রেদিও ফ্রিক্বেন্সি এব্লেসেন অদু চহী ৬১ রোম শুরবী নুপী অমদা তৌখিবনি।

জে সী আই এল পি এস ...

লামায় ১গী মখা... হায়নসু মখা তারক্লি।

জে সী আই এল পি এস অমদি মীয়ামগী খোল্লাউ - মণিপুর (কংলৈপাক) তা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু, মীতোপ্পা ভোট লেপ্পা অমদি থাদবা য়ারোই, মীতোপ্পা লমগী মপু ওইবা য়ারোই, মীতোপশিং লমদম অসিদগী হনখ্রো, মীতোপতা য়ূম/লম শান্দোকপীগনু, অথুবদা পূন্নমক্না য়ানরবা বিল অমা পাস তৌনবা লৈঙাক্লা হোৎনগদবনি হায়রি।

আধার কার্দ পুবগী মথৌ ...

লামায় ১গী মখা... য়ুজরশিংনা মশা মশাগী ফোন নম্বর ওর্গনাইজেসন অসিদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। এপ অদুনা মীওই অদুগী মমিং-মথা, পোকপগী নুমিৎ, জেন্দর, এদ্রেস অমসুং ফোটোগ্রাফনচিংবা দেটা পূন্নমক ষ্টোর তৌদুনা থমগনি।

এমআধার নৎত্রগা মোবাইল আধারগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক কনাগুম্বনা মশা মশাগী ফোন নম্বর য়ু আই দি এ আইদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। এপ অসি মশাগী মোবাইল ফোন্দা দাউনলোদ তৌরবা মতুংদা য়ুজরশিংনা আই দি প্রুফ কোয়পু পুরগা চৎপগী মথৌ তাররোই।

ট্রেন তোংবদা এমআধারবু আই দি প্রুফ ওইনা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না গভর্নমেন্টনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি এপ অসি এন্দ্রোইদ খক্তদা ফংলি।

এমআধার এপ দাউনলোদ তৌগে হায়রবদি গুগল প্লেনদা চঙলগা এপ অসি দাউনলোদ তৌগদবনি। ইন্সটোল তৌরবা মতুংদা পাসৱার্দ অমা শেম্লগা ইশা ইশাগী আধার নম্বর মেনশিনগদবনি। খুদক্তা এস এম এসতা ও টি পি অমা থারক্কনি। ও টি পি অদু ভেরিফাইদ তৌরবা মতুংদা মীওই অদুগী মমিং অমসুং আধার নম্বর স্ক্রিন্দা থোরক্কনি।

অকুপ্পা মরোল পূন্নমক খঙনবগীদমক অমুক হন্না পাসৱার্দ হাপচিনগদবনি। মথক্তা পীখ্রিবা এমআধার এপ দাউনলোদ তৌনবগী থৌওং অসি এন্দ্রোইদ ফোনখক্তদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

এদোপ্সন রেগ্যুলেসনগী মতাংদা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

সেন্ত্রেল এদোপ্সন রিসোর্ছ ওথোরিটি মিনিষ্ট্রী ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী স্পোন্সর মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফেয়র মণিপুরনা শীন্দুনা এদোপ্সন রেগ্যুলেসন ২০১৭ গী মতাংদা ষ্টেট লেবেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস (এক্তিং) এন কোটিশ্বরনা হায়খি, এদোপ্সনগী মতাংদা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা ফঙবসি নুংঙাই। এদোপ্সন হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা টোপিক অমনি। তশেংনা পোকচবা মচা অদু য়োকচগে হায়বা মীওই অদুনা মচাগুম য়োকখিবা অদুনি। হিষ্ট্রীদা য়েংলুরগসু রোমান এম্পায়রদা এদোপ্সন অদুম চৎনরম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্তর জসিন্থাং লজারসনা ফোঙদোকখিবদা, অঙাং খুদিংমক নুংশিবা মমা-মপা ফঙবা হায়বসি হৌনশানি। এদোপ্সনদসু য়োক্কদৌরিবা মমা-মপা অদু বাইওলোজিকেল পেরেন্টস ওইগদবনি। হৌজিক্কী মতমদা ইন্সটিট্যুট কয়া অমা লৈরে। মমা-মপানা অঙাং য়োকপনা খ্বায়দগী অফবা থৌদাংনি। এদোপ্সন হায়বসি লিগেল ওইগদবনি। এদোপ্সন হায়বসি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলবা মতুংদা এদোপ্সন তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এম সী পি সী আরগী চেয়রপর্সন এস সরতকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা খঙন-চান্নবা নৎত্রগা মরী-মতাশিং য়ান্নরগা অঙাং য়োকপগী চৎনবী লৈরি। লোনা য়াদবা মওংদা অঙাং য়োকপগী মওং অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথিংবা লৈরে। ইল্লিগেল ওইনা অঙাং য়োক্লম্বা থেংনরবদি জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী মতুং ইন্না চৈরাক পীবা য়াই। অঙাং অমা য়োক্লবসু মতৌ করম্না থল্লিবগে, মহৈ-মশিন নীংথিনা অমহল্লিবরা হায়বনচিংবা য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী থৌরাং লৈরে। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অঙাং য়োকপা থিংনবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাঙথোকপা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সেক্রেটরি সী এ আর এ দিপক কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সোসল ৱেলফেয়রগী জোইন্ট দিরেক্তর সুরেন্দর এ সিসকসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

শ্যামকুমারনা লোন মহোটসব হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

ঐচ দি এফ সী বেঙ্কনা শীন্দুনা ঙসি এম জি এভেন্যুদা লৈবা ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা লোন মহোটসব হৌদোকপগী থৌরম অমা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, নহা ওইরিবা থবক ফঙদ্রিবা কয়ানা গাড়ীগী লোন পীবা অসি থাগৎলি। মখোয়গী হিংনবগী লম্বী অমা পীরগনি। লোন লৌরিবশিংগা বেঙ্কক অফবা মরী থম্নবগীদমক লোন লৌরিবশিংনা মতম চানা লোন শিংবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী চুপ্পা পায়খৎকদবা লোন মহোটসব অসিদা বেঙ্ক অসিনা তলব চাবা অমদি থবক ফঙদ্রিবা মীওইশিংবুসু তোঙান তোঙানবা লোন কয়া পীরি। বেঙ্ক অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ওথোরাইজ দিল্লরশিংগা খুৎশম্নদুনা চাকা অনী অমদি মরী পানবা গাড়ীগী লোনসু পীগনি। লোন মহোটসব অদু ঐচ দি এফ সী পাউনা বাজার ব্রাঞ্চ অমদি চিংমৈরোং ব্রাঞ্চতসু পাঙথোকখি।

সোসল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী স্কীমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক সোসল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা এস দি ও ব্লোক সাইকোট চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসিদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মহৈরোয় ২০০ অমদি মীওই ৭৫০ রোমসু শরুক য়াখি। হোর্টিকলচর, ফিসরি, কে ভি কে, পি এন বি অমদি ঐচ দি এফ সীগী ষ্টোল কয়াসু হাঙদুনা স্কীম কয়াগী মতাংদা খঙহনখি। জন ধন যোজনা, এম জি এন আর ঈ জি এস, স্বাছ ভারত, বেটি বচাও বেটি পরাও, সর্ব সিক্ষা অভিয়ান্নচিংবা স্কীম কয়াগী মতাংদসু খঙহনখি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানবগী খুদোংচাবা অমসু ফঙখি। কেরিয়র কাউন্সেল্লিং সেল অমসু হাংদোক্তুনা আর্মদ ফোর্সতা জোইন তৌবদা করি চঙই হায়বনচিংবসু খঙহনখি। মফম অদুদা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল অমদি দেন্টেল টিমনা শীন্দুনা মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চুড়াচান্দপুরগী চেয়রমেন খাইপাও হাওকিপ, সাইকোটকী এস দি ও জৌতে, কে এস ওগী মীহুৎ অমদি তোঙান তোঙানবা ভিলেজ কয়াগী চীফ কয়াসু শরুক য়াখি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চুড়াচান্দপুরগী চেয়রমেন খাইপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবা অসি থাগৎলি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিনা ৱারী শানবগী খুদোংচাবা অমসু ফঙহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাওরেম সঞ্জিৎনা চেয়রপর্সন ওইরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস):

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন ওইনা নাওরেম সঞ্জিৎপু খনখ্রে।

কাউন্সিল অসিগী হান্না চেয়রপর্সন ওইরম্বা মোইরাংথেম ইনাকখুনবীনা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৯ দা ফম থাদোকচরগে হায়বগী চেরোল কাউন্সিল অসিগী ভাইস চেয়রপর্সন ময়াংলম্বম উমাদা পীশিনখি। ফম থাদোকচরগে হায়বগী চেরোল পীশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি আর ও ককচিংগী থৌসু পুরিবী এস দি ও ককচিং অঞ্জলি চোংথামগী ওফিসতা চেয়রপর্সন ফমগী মীখল পাঙথোকখি।

মীখল অদুদা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ১২ গী কাউন্সিল্লর নাওরেম সঞ্জিৎ অমদি ৱার্দ নম্বর ১ গী কাউন্সিল্লর ময়াংলম্বম মেমচানা লম্বা তৌনখি। কাউন্সিল্লর ১২ লৈবদা নাওরেম সঞ্জিৎনা ভোট মশীং মাপল ফঙখি অদুগা ময়াংলম্বম মেমচানা ভোট মশীং অহুম ফঙখি। নাওরেম সঞ্জিৎনা ভোট মশীং তরুক হেন্দুনা মায় পাকখি। মায় পাক্লবা নাওরেম সঞ্জিৎ দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী থৌসু পুরিবা দি সী ককচিং নৈলেন্থাংনা শকখঙচে খুৎশিন্নখি।

কুমজা ২০১৬ গী জান্যুৱারি ১১ দা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল মীখলদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনা কোংগ্রেস তরেৎ, বি জে পি অহুম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট অনী মায় পাকখি। মায় পাক্লবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা হৌজিক চেয়রপর্সন খনখ্রবা নাওরেম সঞ্জিৎ কোংগ্রেসতা য়াওখি। কুমজা ২০১৬ গী ফেব্রুৱারি থাদা কোংগ্রেসকী এম ইনাকখুনবীনা কাউন্সিল অসিগী চেয়রপর্সন ওইনা থবক পায়রকখিবনি।

কোংগ্রেসতা কারকখিবা কাউন্সিল্লর মরি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা কারকখিবা অমসুং কোংগ্রেসতা য়াওখিবা কাউন্সিল্লর অমা পুন্না কাউন্সিল্লর মঙানা কোংগ্রেস থাদোক্তুনা বি জে পিদা য়াওখিবনা চেয়রপর্সন ওইরম্বা ইনাকখুনবী মশানা ফম থাদোকপগী চেরোল অদু ওগষ্ট ১৯ দা পীশিনখিবনি। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল নৌনা চেয়রপর্সন খনখ্রবা নাওরেম সঞ্জিৎ ঙসিদগী থবক পুবা হৌখ্রে। নাওরেম সঞ্জিৎনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন খল্লকপদা কাউন্সিল অসিগী ষ্টাফশিংনা তরাম্না ওকখি।

নৌনা খল্লবা চেয়রপর্সন সঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা কাউন্সিল অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা অমদি কাউন্সিল্লরশিংগা তাথোক তাশিন তৌনদুনা কাউন্সিল অসিগী পায়খৎপা য়াবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনগনি। ককচিংদা লৈরিবা লন্নাই লুপশিং অমদি অহল-লমন কয়াগা তাথোক তাশিন তৌদুনা চাউখৎপা মায়কৈরোমদা চঙশিন্নবা হোৎনগনি। ককচিংগী মীয়াম্নসু চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদা অচৌবা মতেঙ পাঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী লায়রবা মীওইদা ...

*লামায় ১গী মখা...*মতাংদা খন্নখিবা রিভিয়ু মিটিং অদু পুং ৪ চুপ্পা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা দিজিটেল ভীলেজ শেমগৎপা, কেদেষ্ট্রেএল মেপ দিজিটাইজেসন তৌবা, ওজাশিংগী রিক্রুটমেন্ট দিসেন্ট্রেলাইজ তৌবগা লোয়ননা মনুং-মপান ফাওনা উবা ট্রান্সফর পোলিসি শেম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মীফম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং, কম্মিস্নারশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী দিরেক্টরশিং শরুক য়াখি হায়রি।

মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা ...

*লামায় ১গী মখা...*কয়া পীরিবনি। মালেমগী মফম কয়াদা ৱর্ল্ড ওজোন দেগী থৌরম পাঙথোক্নরি। ওজোন লেয়রগী মরুওইবা অদু খঙমিন্নবা চঙই। লূ-নানবা লমদম অমা ওইহনবা অমদি পোল্লুসন লৈতবা মফম ওইহন্নবা হোৎনবা চঙই। ইম্ফালগী অকোয়বগী ফিভম লূ-নান্না থম্নবা থবক থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি কা হেন্না চাউবা মফম নত্তে। মসিবু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবা য়াম্না তঙায়ফদে। মসিগীদমক লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা হৌরে।

ইনখৎলক্লিবা মীরোলশিংনা উমং কনবা অমদি উ থাবগী কান্নবশিং নীংথিনা খঙমিন্ননবা হোৎনবা তাই। হীরম অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবা চঙই। মালেম কন্নিংবগী ৱাখল্লোন লৈরবা মতমদা ইনভাইরোনমেন্ট কনবগী থৌদাং কয়া লৌরক্কনি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী মতাংদা তৌবা য়াবা থবকশিং অসি মতম চানা পায়খৎপা তাই। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী উ চারা কয়া শেমদুনা মফম কয়াদা থাবগী থবক চথরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী প্রো. রাজমুহোন্না হায়খি, পীক্লিবা অঙাংদগী হৌনা উ থাবগী কান্নবশিং অসি নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদদি উ থাবগী অনৌবা কাঙলোন কয়া পায়খৎতুনা থবক হৌনখ্রে। বার্থদে নুমিত্তা উ থাবা, লুহোংবগী এন্নিভর্সরিদা উ থাবা অমদি মরুওইবা নুমিৎ কয়াদা উ থাবগী থবক পায়খৎনবা হৌখ্রে। মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না উ থাবগী থবক অসিদা থৱায় য়াওরবদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম কনবদা চাউনা অহোংবা লাক্কনি। ওজোন লেয়র পাথরকপগী ৱাফম অসি চহী কয়াগী মমাংদগী নৈনদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। চাউখৎলবা লৈবাক কয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা রিসর্ছ তৌদুনা ওজোন লেয়রগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপসু লৈখ্রবনি। য়ু এস এগুম্বা চাউখৎলবা লৈবাক্লা ওজোন লেয়রগী ওইরিবা ফিভম অসি নীংথিনা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎপা লৈখ্রে। মালেমগী সাইন্টিষ্ট কয়ানা ওজোন লেয়রগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম্নচিংবা পাঙথোক্তুনা নৈনবসু লৈখি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা কেমিকেল মখল কয়া মরম চাদনা শীজিন্নরকপা মতমদা ওজোন লেয়রদা অকায়বা ওইহনবগী ফিভম কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট শম্ভু সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। জি পি ৱুমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. বি লালহরি শর্ম্মা অমদি দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্টকী দিরেক্তর ডা. ৱাই নবচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।